> “সমাজগী ৱাখল হায়বসি সমুদ্রগী ঈথক্কুম্না হৌরকই।
> থৈদোকখিবা নত্তনা থিংবদি ঙমদে।”
>
> - এলাংবম নীলকান্ত (অচাইবা লৈ)

ꯁꯩꯔꯦꯡ

## অপাইবা লৈচিল

**—অঙোম ইবোমচা**

শংবান্ননা নিংথিরবা
য়েংউ পূক্লিং শুমহৎল-শক্তম
হাঙলা মালং অতিয়াদা
হে! পাইরিবা অঙৌবা লৈচিল।
নঙনা নোংদোন অতিয়াদা
ঙাইহাক মচেৎ পাইরন্বদি
নপূক্লিং লেপ্তে তাকপরা
নীংতম্বীনি উৎপরা?
অমুকসু ওইরিদো নশক্তম
অঙৌবা ফিজংগী পরেংগুম
ওইরিদো নশক্তম অমুকসু
অমংবা নোংহৌগী মতৌগুম।
নতৌ তম্বনি হায়সিরা
তাইবঙ মীপূম খুদিংসু
শান্নরি নঙগুম্না নুংঙাইনা
তাইবঙ মালেম ফম্বাক্তা।
অমুকসু নোকই, নুংঙাইবগী ৱাখলদা
অমুকসু কপই, অৱাবদা তেংথানা
খঙহৌদে মাঙখিবা লোইনমক
অপাইবা লৈচিলগী মতৌগুম।

## ঙাকলৌ পীসি

**—আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

খা নোংপোক এসিয়াদা
মশেক মঙাল লৈনা পাল্লম্বা,
লৈবাকনিনে মরিপুর।
নৈনরুবদা পুৱারীগী ৱারী কয়াদা
থেংনজে, নহাক্কী অখাং কনবী
মথৌনা মরিংজেল,
অৱাবা থেঙ্খাং কয়াদা।
নহাক্কী নাওশুমদা চাওখিবা
নপারি নমোম কয়ানা
য়েক্কা মায়োক য়াদুনা কল্লকখিবনি
হে ইমা মণিপুর, করি মতৌ কৌবগে
য়েংহৈদ্রেনে ঙসিদি।
হায়নবা লৈ মৈতৈ পাউরৌ ওইদুনা,
য়ুমদাংবনা কৈনাবা,
লৌ মপু য়োংনা তানবা
হুইনাও মচা চাওনবা য়োক্লগা
মপুগী লৈতোন লেকই,
চুম্লক্লেনে ঙসিদি।
মকা ফন্না মনীং তম্না হৌরম্বা
হাদা তালা পামেলনিনে নহাক্তি
ঙসিদি ওইরব্রা নঙ,
অউবনা উরগা অহৌবা পান্বীদি মাল্লগা
ওইরব্রা নঙ ময়োল চোংবা ঙমদ্রবা উপাল।
অঙাওবা মালং নুংশিৎনা ঈল্লম্বদা,
তুরনিনে অহৌবা মাল্লিবা হে উপাল,
পামেলসিবু তুহল্লোই হায়রদি
ঙাকলৌ অমা পীবিসি,
ঙাকলৌদুবু য়াওদ্রবা
মালেমগী মীয়াম মমাঙদা
শোয়রোই তুথরকপা খঙহৌদনা নোংমদি!!!

## ঈশিং

**—এল চিত্র**

ঈশিং ঈশিং ঈশিংনা থৱায়নি
লৈতরে ঈশিং
নোং নঙ করিগী তাদে
হঙোই খোংদে
হঙোই নঙ করিগী খোংদে
ভোট লৈতে
ঈশিং নঙ করিগী ফংদে
উমং লৈতে
উমং নঙ করিগী লৈতে
উ য়ান্থৎলি
উ থারি তত্তনা নোংজু থাদা
উবু নুংশি
য়েল্লি থৌদোক ৱাথোক্তা
উ চারা
উ থাফম লৈতবা ইম্ফাল ময়োলদা
মাঙহল্লি উ চারা
নুংশিবশাই কন্নীংবা শাই মহৌশা খূৎশেম
মতম নাইদে
ঈশিং তাঙই তূমিন লৈ
মন্ত্রি
থৌশিল য়াত্তে ঈশিং ফংনবা
মীয়ামগী মীহুৎ
মহৌশা মহৌশা ইকং থোক্লবা
ৱারে ঐখোয়
লাউথোক্লবা ইকং থোক্লে শেল নীননবা
শেলবু ঈশিংলা।
ঈশিং পীয়ু ঈশিং পীয়ু
নুংশিবীয়ু ঐখোয়বু
তেংথারে থম্মোয় শোক্না মতম নাইদনা লমখুনু
নোংগৌবীসু খৌগংলে
ষণবী শঙ্গোম শুমগেরা
ঈরাৎ থৌনি তৌগেরা
ঈশিং পীয়ু ঈশিং পীয়ু।

## উরুবদা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ইমন ইমন
ইমন মল্লম্লে
মন্দিরদুগী উখোংশিং
অদুসু
ৱাখলসু মপাঙ্গল
ৱাংলক্লে।
লৈকোলগী লৈমন চল্লবা
লৈরাংশিংনা চোয়না তারি
লৈমায় থক্তা, ইমন ইমন
মন্থরবা ৱাখলগী মরুমদা।
মহাক ঐহাক
কৈদৌঙৈ ওনখিবদুনা
অরোইবা ওইখ্রবা
নীংশিংবা ঙমদরে।
মসিমদি কাউদ্রি
মখূৎ-মক্সা পীরকখিবা
মন্দিরগী উখোং মরুমদা
লৈরিবা ঐঙোন্দা,
হৈ-লৈ অদুদি
ঙসিসু কাউবা লৈতনা
নীংশিংদুনা লৈরি।

## লাইজ ঈরীক পাম্মুবী

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

লাইজ ও লাইজ নুংশিবী
থৱায়গী থৱায় ওইরিবী
নত্তেদো নহাক্তি লেম্লে খক্তগী
লেঙলি পাল্লিবা পূম্নমক্কীনিদো,
লাইজ নহাক্কী ঈরোলনুংদা
লেম্লে ঙানা ঈরোইজবগুম
থৱায় লৈরাং পাম্মুবনা
চেন চোংলদুনা শান্নজবনি;
ৱাখল থেল্লবা মীওইবনা
মাগী মাগী ওইজবনা
খরা খিৎ লূম্না লৌনখিদুনা
নমজা নমথেকপীরি মহৌশা ইমাবু,
মরূ কোকথোকপীরি মীনুংশি হৈতনা
মুনবীরি চরৈ নমখাঙ মনমদগী
মিৎকুপ অমফাওবা খন্থরুবা লৈতনা
তুংলমচত্তা করি ওইরক্কনি হায়বা।
চহীগী কুমতম্না মতম্না লাক্লবদা
কৌব্রু কৌনু ৱারৌরমাল্লে
খিকহনবীরক্ত্রে নোংদোলথক্কী লাইজ
লৈক্রক চৎলে তুরেল খোংনুং
ওইখ্রে লৈকংলা পুখ্রি খোংবাল
হা কার লাউনরে তাইবঙপাল
মসিরা মীওইবা নঙগী খুজিল থৌরাং
মসিরা মীওইবা নঙগী তুংগী নরাইবক !

## কৈদৌবগে

**—মাইস্নাম বীষেশ্বর**

তাইয়োন্নবা ওইহনবীনু নঙনা
ঙাইজরিবা অরেম্বা তাহনবীনু
মীগী পূক্লিং খঙদবগুম ঙাওহনবীনু
নীজরিবা কয়া কায়হনবীনু
থাজবা থম্মুবা নঙনা ৱাহনবীনু
নুংশি হৈতবীগুম তাবীনু
খোইদৌশিক্লা লৌনমদা লম্মাংনহনবীনু
থম্মোয়সে তকসি শোন্না লৈহনবীনু
অনুতাপকী তেংথানা ওইবা পাম্বীনু
ঈংনা চিক্লা থম্বীয়ু নে-তানা লৈহনবীয়ু
শ্বরসে চনীং তানা হোলহনবীয়ু
থম্মোয় শেংনা নঙনা পোখাহনবীয়ু
তাৎকী লাংদা খুরৌ চেনবীনু
অৱাবা মৈচাক পীবিনু
অশেংবা থম্মোয়দুদা পীবিয়ু
পুন্সিবু মমল লৈহনবীয়ু
অৱাবা মৈচাক পীবিনু
লাকচমল মহয় য়ালহনবীয়ু
ঈংনা চিক্লা লৈমিন্নসি
য়াবীয়ু নঙনা কৈদৌবগে?

## ঈশৈ ওইহৌরে পুন্সিসে

**—খাইদেম বোরসিংহ**

ঙসি বসন্ত লাকপসিদা
পূক্লিং ঐগী ইরাং লাংই
কনাদবু নুংশি ফোংলসিগে
করিদবু পামজৈ হায়রসিগে।
গুলাপ মাসু নীংথিজৈ কো
উরিরৈসু মনুংশিদো
সনারৈসু মহেল্লিদা
মোমোন মোমোন খোইরুমদি
পুম্মুম তাইকো চিগোংলৈ
নীংশিংলকই নুংগারৈসু।
তুংইনজবী কোম্বীরৈনি
লাক্লরোইদ্রা কুশুমলৈ
লোয়নজবী লোয়ুমলৈ
শাৎলরোইদ্রা লৈরিক লৈ
নীংশিংলুরগা হৌখ্রবদো
মিৎলুদা পিনা তহারক্লি।

## লমদাগী থাজ

**—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম**

থোক্লক্লে লমদাগী নীংথিরবী থাজ নঙদি
কুরাও মপাল নাপ্পদা চিন,
তঙাং-তঙাং মায়থোঙ অবেরনা।
হে শুমহৎয়াই পুরবী লমদাগী থাজ ও!
নঙবু উজবদা ঐগী পূক্লিং অঙাওবনা
কয়াদা মথুম-মরাং হৌজরিবা।
য়াওশঙ! য়াওশঙ! কাউবা ঙমদা য়াওশঙ
ওইনীংলি ঐনা ঐগী ৱাখলগী চেৎল মরুপ,
ইরৈকাইচাশিংগী পূক্লিং-ৱাখল মায়োক্তা।
পূক্লিং ঐগী তনৌহন, অৱাবা তরা তুংওইনহল্লিবা,
করম্নসু কাউবা ঙমগনি য়াওশঙ, ওইরক্লবসে খোঙলোই
মীপোকথোক্কী মীতোপচানি, মীয়ানচানি হায়দুনবু?
ঔগ্রি হংগেন চোংবা মকৌখিদো থাবল চোংবা,
শক্তাকখি লৈকায় তরা লান্না ইপুনাৎনি ইপানাৎনি,
য়াওশঙ মহাকথং, হো লমদাগী থাজ ও।
খঙদে খঙদে, ঐদি করিমত্তা খঙদে
নুংগী অর্থ, পানগী ৱাহন্থোক;
লমদাগী থাজ নঙবুতা নুংশিজৈ, য়াওশঙবুদা খোয়রাংজৈ।

মতম মতমগী ৱাখল

# মোইরাং শাই ঈশৈগী নুমিৎ



মোইরাংশাই হায়বসি তানরে। মোইরাংশাই হায়বসি করিনো ? মোইরাংশাই হায়বসি মৈতৈগী ঈশৈ মখল অমনি। শৈশক অসি য়াম্না লীরবা ঈশৈদি নত্তে । কনাগুম্বনা ঈশৈ শৈশক মখল অসি মপান্দগী চঙলকপনি হায়নবা য়াওখি। অতৈদা হায়বা নত্তে ‘শাই’ হায়বা ৱাহৈ অমা মনীংদা তপলকপা অসিদনি। ‘মোইরাং’ হায়বা ৱাহৈ অমগা ‘শাই’ হায়বা অমগা ৱাহৈ অনী অসিনা পূনশিল্লগা ‘মোইরাংশাই’ হায়বসি থোকখি। মণিপুরদা ‘শাই’ হায়বসি হান্নদগী হায়নরকপা লৈরে। লৈশাবীগী শমদা শাই ককপা হায়নরকই। য়ুমগী শাই তারকপা, ‘শাইজিন’ হায়বা ৱাহৈসু হায়নৈ । নিংথৌগী ফুরিৎ ‘শাইচোনবা’ লৈরি। মীগী মিংদা অনন্তা শাই,শ্যামশাই খুরাইলাকপা, কৌবা নিংথৌ মচাশিং লৈখি। মসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙল্লিবদি ‘শাই’ হায়বসি ঐখোয়গী লোল অমা ওইনা ঙাঙনরক্লবা লোলনি। ঐখোয়গী লোল ওইরবনি। মোনোহরশাই হায়বা বেঙ্গলদগী হৌরকপা ঈশৈ অমা লৈরি। ঈশৈ অসি মণিপুর য়ৌরক্তুনা ঙসিসু শক্লরি। মোনোহরশাই ঈশৈ অসি ঙল্লিঙৈদা লমদম অসিদা য়াম্না পাম্নরম্বা ঈশৈ অমনি। মোনোহরশাই ঈশৈ ঙসিদি শকপীনবা মীগী মশীং হন্থখ্রে। নট সঙ্কীর্ত্তণ ঈশৈনা লাকশিনখ্রে । মোনোহরশাই মণিপুরদা শক্লরকপদগী মনোহরশাইদগী মোইরাং শাই লাকখিবনি হায়বসি উচন খরা চানবা ৱাংলি । ‘শাই’ হায়বসি ঐখোয়গী হান্নদগী ঙাঙনরক্লবা লৈরক্লবা ৱাহৈ অমনি হায়বসি মথক্তা লংজিন খর কাংজরিবসিনা খূদমনি।

মোইরাং হায়বসি মণিপুরগী মরুওইবা মফম অমনি। মোইরাং য়াওদ্রগদি মণিপুরদি খংপীক পীকশিন্না উবগুম তৌই। মোইরাং য়াম্না চাউবা লমদি নত্তে। খম্বা থোইবী হায়বা মোইরাংগী নুংশি ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা এপিক অমা লৈরম্বসিনা মোইরাং য়াম্না মরুওইবা মণিপুরগী লমদম ওইরকখি। মোইরাংদা মরুওইবা খরা- ইবুধৌ মোইরাং থাংজিং হরাউবা, লোক্তাক পাৎ অমদি আই এন.এ.লৈরি । মোইরাংগী অকোয়বা থংনবদা থাঙ্গ কারাং, কৈবুল লমজাও,সঙাই নেস্নেল পার্ক মরুওইবা মফম অমা ওইনা লৈরি। মোইরাং লমদমগী ওইনা মশাগী য়েলহৌঙৈদগী ফোকলোরগী ওইবা, খোরিরোলগী মচাকশিং মরাঙ কায়না লৈজরকই। শীংথাবগী লোইবা নাইদ্রবা ফজরবা চীনবুং ৱারী কয়ানা লীক্লাং পরেংগুম্না লেংদুনা লৈরি। ফোকলোরগী মনুং চন্না য়াওরিবা, ফোক শোং হায়বসি মোইরাং লমদমগী ওইনদি অচৌবা পূক্কে অমনি। মোইরাংশাই হায়বসি মোইরাং ৱারী চীনবুংদা চীন্থাং য়ৈনা, পেনা অশৈবশিংনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা শক্লরকপা খম্বা থোইবীগী ৱারীদগী পোকলকখিবা ৱাহৈনি। মোইরাংশাই মোইরাংদগী হৌরকপনি। মোইরাং শাইওনশিংগী ঈশৈনি। শাইওন্দগী শাই হায়বসি লৌরগা মোইরাংশাই হায়বা শৈশক অমা ওইরকখি। শক্লরিবা ঈশৈগী মতাংদি মোইরাংগী নুংশি ৱারীনি শীংথানরিবা খম্বা থোইবীগী ৱারী,শাইওনশিং অদুগী মতাং খরা লৌখৎলগা ঈশৈ ওইনা শকপনি। মোইরাংশাই ঈশৈ হায়রগা অতোপ্পা ঈশৈ শক্লদে। মোইরাং শাইওন তরেৎ লৈরি । শাইওনশিং অসি লোইনমক ঈশৈদা শকপগী মফমসু লৈতে । শাইওন অমমম্না চাউরবা ইঙ্খোল অমমম ওইরি। শাইওনশিং অসিগী মনুংদগী থোইবীনা লোই কূম্বা অমদি লোই কাবা অসি মপূংওইনা শক্লরকই।

মোইরাং থোইবীনা লোই কাবা অমদি লোই কূম্বা অসিদা করেক্টরশিংগী নুংঙাইরবা অমদি থৌদোকশিং অসি ঈশৈনা শৈৱারী (বেলেদ) ওইনা শেম্লগা শকপনি। ঈশৈনা পাউ তম্বনি। ঈশৈ লীলা মখল অমনি হায়ব ফাওবা য়ারি । হান্না তানরবা মোইরাংগী ৱারী অসি ঈশৈদা ড্রামাটিক ইলিমেন্টস হাপ্তুনা মীয়ামদা লান্থোকলকপদা তোপ তোপ্পা তানীংবা, নুংঙাইবগী মহাউ অমা পীবা ঙম্মী । ঈশৈ ৱারীগী মতাংগী নুংঙাইবগী মথক্তা থৌগল তৌবীরিবশিং অদুগী খুৎলান্থোক (প্রজেন্টেসন ষ্টাইল) অদুনা অমুক্কা হেন্না নুংঙাইহল্লি। ঙল্লিঙৈদগী, মোইরাংশাই ঈশৈদি নুপানা শক্লরক্তে। লমদমসিগী ইচে ইচল, ইনেশিংনা শক্লরকই। নুপানা শকপদি পেনা অশৈবশিংনতা ফমশক ঈশৈদা পেনা তাবা হায়দুনা শক্লরকখি। মোইরাং কংলৈরোল শৈশক হায়দুনা ধোল্লোক পায়দুনা শক্লবা শৈশক অমসু লৈরি । শৈশক অসি কনাগুম্বনা খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ হায়রগসু খঙনৈ । খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈদি খোংজোম লানগী ৱারী পরিং খক্তদা শক্কদবনি, মোইরাং কংলৈরোল ৱারীবু খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈনি হায়বদা চুনদে হায়দুনা মিংথোল অসি ঙল্লিঙৈদা য়েৎনখি। মমৈথংদা খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্তা মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈ হায়না খঙনখি ।

ঈশৈ হায়বসি মীয়াম্না তানবনি। ঈশৈদা অথোৎপা অমেঙবা,নুংশিবা লোয়নৈ। মীয়াম্না তানীংলিবসি অথোৎপা অমেঙবা, নুংশিবা অসিনি। পোৎলম অহুম অসি ফংনবা হোৎনবদা ৱারী, থৌদোক শাগৎলকই। মোইরাংগী ওইনা থৌদোক ৱারী অসিদি ইবুধৌ থাংজিংনা ৱাৎতনা থম্বীরম্লে। খম্বা-থোইবীগী থৌদোক ৱারী তানীংদবা মী লৈহন্দে । হাপ্লিখৈ চনবা লৌথোক্লিখৈ লোইবা নাইদবা ৱারী ওইরি। তেংবানবদা লৈরিবা মীওইবগী পূন্সিদা, লমচৎসি মরু ওই। মীগী মাঙনবা হোৎনরুনা মমৈদা মহৈ ফংবা, নাপল, ওইদবা ঙাঙবা,অচৌ-মচা, লাইর-ইনাক খুনবা খায়বা, শাগৈ-জাৎ, চীংমী-তম্মীগী মরী তাকপা,হৈরাং লৈরাংগী চন্নফম, শা-কৈগী মফম, লম্মীৎ-তুম্মীৎ তাকপা নিংথৌকোল, অকন-অথৌগী থৌদোক ৱারী, লাই তীনগা মরি লৈনবা, লাইগী থৌজাল ফংবা অসিগুম্বা কয়া অসি শুনবা মোইরাং কংলৈরোলগী খম্বা থোইবীগী ঈশৈ ৱারীদা লোয়নরি । ঈশৈ অসি তারুরগা অতাবশিংদা পারা অমা তম্বগী কান্নবা ফংবগুম নুংঙাইজৈ। ৱাখল খলহল্লি। অফবা পাম্নরকই । পাউতাক অমগুম্না কান্নবা ফংবা ঙম্মী। মরম অসিনা মোইরাং কংলৈরোল ৱারী অসি শৈৱারী ওইনা মোইরাংশাই হায়না মীয়াম্না পাম্না খঙনরকখি।

মোইরাংশাই ঈশৈ হায়না খঙনদুনা শৈশক মখল অসিবু শক্লখিবী, মীয়ামদা তাহনবীরকখিবসি মোইরাং জাতি হায়না খঙনবা মোইরাংগী শ্রীবন লৈকাইদগী জাতি কৌবী নুপী অমননি। শৈশকপী অসিনা হৌখিবনি হায়বসি হন্দক মীয়াম মাঙদা ফেব্রুৱারী থাদা মোইরাং জাতিগী মপোক নুমিৎতা থৌরম অমা ওইনা মোইরাং থাংজিং য়াগৈরেল মরুপনা শীন্দুনা মোইরাংশাই ঈশৈগী নুমিৎ ২০২৩ হায়না লাওথোকখ্রে। মোইরাংশাই ঈশৈগী নুমিৎ হায়না লাওথোক্লিবা অসি য়াম্না মরু ওইরি । হৌজিক মোইরাংশাই ঈশৈ হায়রগা খঙনরিবা শৈশক অসি করম্বা মওংদা শক্লরি। ঙল্লিঙৈগী মতমদা ঈশৈ অসি করম্না মোইরাং জাতিনা শকলকখি। শৈশক অসি হৌজিক করম্বা মওংদা লমদম অসিদা শক্লরি । ঙল্লিঙৈদা শক্লখিবা ঈশৈ অদু হৌজিক ওইরিব্রা হায়বনচিংবা নৈননীংঙাই কয়া লৈরকলি ।

লমদম অসিদা ফোক ঈশৈ হায়দুনা খুল্লং ঈশৈ নৎত্রগা খুনুং ঈশৈ নৎত্রগা খুল্লক ঈশৈ শকপা নুপা নুপী নহারোল কয়া হৌগৎলক্লি। পাম্না শক্লবসু হেল্লক্লি। হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা ঙল্লিঙৈগী অহল-লমনশিংনা করম্না লমদমসিগী ফোকশোং মোইরাংশাই ঈশৈ শকখি হায়বসি খঙনবা থিরকপদা মাইকৈ তাক্লবা অমদি অচুম্বা অশেংবা খঙজনবা থৌরাং অমা ওইনা মোইরাং থাংজিং য়াগৈরেল মরুপনা চোংথোকপীরকপা থেংনৈ । মসি মীয়ামগী, লমদম অসিগী নাৎপু কন্নবা অমদি য়োকখৎনবা পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোংথাংনি অফবনি। অখণ্ড অহৈশিংনা মতেং পাংবা, পূক্লিং থৌগৎপা চংঙি ।

*মখা মথংগী চেফোঙদা*

**- মাখোনমনি মোংসাবা**

ৱারী ককনাউ

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -৯

ঐগী নুপীদা ঐনা অমুক হন্না থোইবীগা মরী লৈনররোই সুম মতম লেনবনি হায়বসি হায়খ্রে। মাবু থাজনবা ঐ পেহৌ পেহৌগকা তৌদনা য়াম্না নৌথদনকা হায়খ্রবনি। “ঐগী নুপাসি সি য়ৌরদি কৈসু কা হেন্না মখা তাররোইদা” হায়না খল্লগা থাজখ্রবনি। ঐগী খোঙথাং ঐগী শাজৎতা ক্রক ক্রক লাক্লা য়েংশিনবা হায়বদু থোইনা তৌদনা চাওরাক্লা অদুম য়েংশিনবা নত্তনা কৈসু থোইনা চৈরাক পান্না য়েংশিনবমক্তি ওইদ্রে। মদু ঐসু খঙই, ঐগী নুপীনা ঐবু থাজরে হায়বসি। অদুনা ঐনসু খিত্তং হেক কোমথোকপা হৌরে। মী হায়বসি ফাখ্রবা ঈশৈ নোংমতসু ঙংই হায়দুনিকো। ঐ থোইবীবু ঐগী নুপী ওইনা লৌশিল্লগা য়ূমসিদা থমগেগাইনা অমুক ফাও হেক খল্লুবা লৈতে। মদু ঐনসু ঙমগদৌবসু লৈতে। অদুবু মতম খুল্লেনদি লৈশাবী পাখংদগী হেল্লিবনি। ইচম চম্না ৱারী শাবা য়াবদু, লৈগসি কোন্থরদনা, কোথরদনা, ৱাগকসি থোৎথরদনা নাসোন পীক্লা হায়রিপোৎনি। ফোনগী ৱানিকো। মশাগকা উরদি ঙমজপোত্তে। ফোন হায়সিদদি ঙমদবা লৈত্রে।

হায়রোইদবা, ঙাঙহৈদবা, হায়হৈদবা, ৱাগকসি মরক মরক্তা মচেক্লগকা য়ৈদনা, ময়াইনা ফুরিপোৎনি। পাখং মচানা ফোন অমা মনাকোং ময়াদা নপ্পগা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌদনা ৱারী শাদু ঙাই হনুথংদা ঐনা তৌরিসু। ঐগী ৱায়োং চাদবা ৱাগকদু তাবদা, মানা থোক চৈরক্তনা, অদুগুম্বা ৱাথী ৱারেমদু ঙাঙনু গাইনা চৈরক্লবদি ফদৌবা। অদুদি নত্তে, থোইবীসু নোকফেৎ কা তৌরদনা, মাগী হেক মপুরোইবদা কেথবদৌনা কেথরগা থিক থিকৰা নোকচরদনা ‘উং...উং...’ হায়না তাবদুদি ঐসু মথোই কারেনে। পংঙাঙদা হেক ঙাঙঙেদো। অদুদদি লাপথোক্লরগে গাইনা ঐগী নুপীদা খুরুমখৈ হায়জবগদুদি নহান মুক মপোক্তু ঙাইরে, পুমকোউ কাউখ্রে। উচিদা অমুক হঞ্জিল্লে হায়দুনি তৌরিসে। মানা হেক হেক বজারদা লাক্লগা মখোয়গী ওটোরিক্সো তোংফমদুদা ঐসি লিপৎ লিপৎ চৎপসি হৈনবী ওইরে। নোংমতা অসুক কুইবসি ওটো পার্কিংদা অমুক্তা চৎচদবনি। অদুবু থোইবীনা দুকান ফম্বা, মাগী পোৎ চৈ লৌরুরগা ময়ূমদা হন্নবা খাউজাও খাউজাও য়াল্লগা ওটো পার্কিং তান্না লাক্লগা ময়ূমদা হনখিবদু করি তৌবগী ঙাইনীংঙিবনো, য়েংনীংঙিবনো, মাগী পোৎকদু লূম্মমনি হায়দনা ঐনা করিগী ওকপীরগা ওটোদা থাঙ্গৎনীংঙিনো খঙদে। ইশাসে হৈনবী অমা ওইরে ওটো পার্কিংদা লেপ্পসি। নোংসু থিৎলি থিৎলি তাই। ঐ ওটো পার্কিংদুগী মনাক্তা লৈবা দুকান অমগী মমাঙদা নোং থুপ্তুনা লেপ্পী। মী অতৈসু অদুম লেপ্পরি, নোং থুপলি। অদুবু মীৎসিদি কোইয়েং য়েংলি, য়েংলিদু অতৈ নত্তে। থোইবী লাকপ্রা য়েংলিনি। মা কৈথেল কাখি হায়বসু খঙবা নত্তে, সুম য়েংলিনি। লাইনা ইনশিনবগা চপ হেক মান্নরে, থোইবীদু খাওজাউ অমা পায়রগা মখূৎ নাম্মনা ছাতিন অমা পায়রগা, পৈথোক্লগা লূম্না থাংলগা ওটো চৎখ্রনি হায়না চেনচৎ চৎলগা লাকপদু উই। নোং থুপ্পম্বা ঐ, নোংলক্তুদা চেন্থোক্লগা ওক্লুই। মাগী অরূম্বা খাওদু ঐনা পায়রগা য়াল্লি। মাসু ঐ উবদা মাগী মতেং পাংবীবা মী অমা লাক্লে খন্দুনা নোকফেৎ তৌরগা ওটো থারিদু তম্না লাকই। মানা হায়ফেৎ ঐবু য়েংলগা নোকখিবা অদুগা পায়রিবা ছাটিনদুনা ঐবু চোৎকনি হায়না ঐঙোনলোমদা খিতং নপশিল্লগা তুপ্পীরকপদুদা ফাওরকপা মৈশাদুদা ঐসি পুংপং হেক পংথৈ হায়দুনি। ওটো মনাক য়ৌরে, ওটোদুদা পোৎতু থাঙ্গৎলগা থোইবীদু কাখৎহল্লে। ঐনা ওটো মনাক্তুদা লেপ্পগা কৈ কৈনো ৱা খরা পাউমেন্নরিঙৈদুদা, কদোমদগীনো খঙদে, ঐখোয় নুপীদু শৎ হেক্তা ফাওজিল্লক্লগা, ঐগী খুদাংসি তাপ লাওনা ফারগা চিং-ঙগা হায়রকই-

“ঐগী পোৎ অমখক্তা থাংবীয়ু”

ঐ ঐখোয় নুপীদু উবদা শ্বাই হেক লাউই। ঐনা ঐগী খূৎতু পৎ লাউনা মঙোন্দগী থদৎলগা শাওরুংননা হংলুই,

“কাইদৈ পোৎনো?”

“মদু নঙনা থিবীয়ু হায়দে, থাংদা থাঙো লাও। মীগী পোৎতি নোং মরক্তা চেন্থোক্তুনা থাংলগা, ঐগী পোৎতি করিগী থাংবা তল্লিনো, থাংঙোলাও”। নোং থিৎলি থিৎলি চুবদুদা নোংথাং কুপ্লগা খাক লাওরকপদু ঙাই, ঐখোয় নুপীগী নুংশিৎতু ওটো পার্কিংদা খাকথরকই। শোয়দনা নোংমৈ শীংজং (ব্রজ) তারকপা য়াই খন্দুনা ঐ হোবে হোবে, মানা চিংলিবা মায়কৈরোমদুদা ইশাসি য়াঙনা চৎলি। থোইবীদু ওটো মনুংদগী মীহুন থাহুন চেনগুম চেনগানরগা ঐবু চেপথদুনা য়েংহৌই। ঐনা হান্না লেপ্পম্বা দুকান মমাঙদুদা লেপ্পগা ঐখোয় নুপীগী ইন্টরোগেসন মখা চথুরকই।

“অসি থোইবী নৎত্রা?”

“কনাগী থোইবীনো মীগী মমাঙসিদা নঙনা তৌরিসিবু কৈনো, চৎলো চৎসি য়ূমদা ঙাঙনরুসি”

“নঙগী শাজৎসি শেমদোকপা য়ারোইদৌরি। নঙ কৈথেল থোক্লবা অঙাওবগা চপ মান্নরে, কৈথেল ময়াসিদা নঙনা অঙাং মচাদৌনা তৌরিসি করিনো? ঐ ঙসাইদগী য়েংগে হায়না য়েংলিবনি, নঙ হেনমল্লে। ঐ হৌজিক ইপামদা হান্না থিল্লমখো, অদুগা নঙগী অপান্বদু লোইনা তৌজরো, ঐ কৈসু য়েৎলোই, ঐদা হান্না থিল্লন্মু”

“নঙগী কারন খূৎতাসিদি অঙকপা হায়দুনি”

“কারনগী ৱা নত্তে, ঐবু শাওহল্লক্কনু”

“য়ারেসে, য়ূমদা হায়নরুরসি লাও”

“নঙ মফমসিদা কৈদৌরম্মীনো?”

“নোং তাবসিদা ঙাইহাক থুপ্লম্বনি কৈনো”

“কার তোংলগা লাক্লিবা নঙনা, সিদা কার খাম্মগা নোং থুপ্তুনা মীগী দুকান মমাঙসিদা লেপ্পীবা”। ঐ চেনফম খঙদ্রে, খুম্ফম খঙদ্রে।

“অশ নঙসিদি”

“নঙসিদি হায়দি কৈনো?”

“য়ারেসে”

“য়াদ্রদি”

“অদু ওইরগা নঙ লৈহৌরো ঐ য়ূমদা চৎলে” হায়দুনা ঐগী কার খাল্লিবদুদা চেনচৎ চৎলগা থোঙ হাংলগা কাখৎলি। ঐখোয় নুপীসু চেনশিল্লক্লগা কারদুগী মনীংগী থোঙদু হাংদোক্লগা শৎ কাখৎলগা মাগী লানদু মখা চথুরকই। কার মনুংদুদা ঐগী নুপীগী ৱাহৈদুদি কল্লে, অখাক অরাও য়াম য়াওরে। ঐ কারদু থৌরগা মানা ঙাঙলিবা ময়ামদু অমত্তা খুম্বা তৌদনা য়ূম তান্না অদুম থৌরে। মাদি শুংলেপ হেক লেপ্তুনা ঙাঙলি।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।